# বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকপদা ভোট পীখিবদগী প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরন রিজাইন তৌখ্রে

লন্দন, জুন ২৪ (এজেন্সী) :
বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মখা তানা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা য়ুনিয়ন অসি থাদোক্লগদ্র হায়বগী মতাংদা লৈবাক্কী ওইবা ৱারেপ অমা লৌননবা ঙরাং পাঙথোকখিবা রিফরেন্দমদা বৃটিশ মচা অয়াম্বনা ঈ য়ু থাদোকপগী ৱাফমবু শৌগৎতুনা ভোট পীখিবগা লোয়ননা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরন রিজাইন তৌখ্রে তৌইগুম্বসুং ওক্টোবর থা ফাওবা থবক পুখিগনি হায়রি।

দোনিং ষ্টীটকী মপান্দা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরননা হায়খি, "অনৌবা লূচিংবগী তঙাইফদবা লাক্লে।" প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং ওপোজিসন লিদরনা লৈবাক অপুম্বদা বৃটেননা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈববু শৌগৎতুনা ভোট পীনবা আপিল তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী কেম্পেইন অদু চাদা ৫২গী মায়োক্তা চাদা ৪৮দমক ফংদুনা মায়থিখি। লন্দন, স্কোটলেন্দ অমসুং নোরদর্ন আইরেলেন্দনা বৃটেননা মখা তানা ঈ য়ুদা লৈবদা শৌগৎতুনা ভোট পীখিদুনসু প্রাইম মিনিষ্টরগী কেম্পেইন মায়থিবা নংখি।

য়ু কে আই পিগী লিদর নিগেল ফারাজিননা রিফরেন্দমগী ফল খঙদুনা য়ু কেনা ঈ য়ু থাদোক্তুনা ৱারেপ লৌরিবসি লৈবাক অদুগী "নীংতম্বা নুমিৎনি" হায়খি অদুগা লৈবাক অদুনা ঈ য়ুদগী তোকপগী কেম্পেইনদা মকোক চীংখিবা বোরিস জোন্সননা রিফরেন্দমগী ফল অদুনা লৈবাক অদুনা মতম পুম্বগী ওইনা য়ুনিয়নগা থাদোক্লবগী ৱাফমদি নত্তে হায়খি।

স্কোটিশ ফার্ষ্ট মিনিষ্টর নিকোলা সষ্টজিওননা হায়খি, মহাক্লা স্কোটলেন্দবু ঈ য়ুদা মখা তানা লৈহন্নবা চপ চানা লেপ্লে অদুনা অনীশুবা স্কোটিশ ইন্দিপেন্দেন্স রিফরেন্দম অমা পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম য়াম্না ৱাংনা লৈ।

ঈ য়ুগী লিদরশিংনা হায়খি, য়ু কেনা ঈ য়ু থাদোকখিবা হায়বসি খল্লুবদা থম্মোয় শোক্লি ঙাই ওইদুনসু লৈবাক অসিনা য়ারিমখৈ থুনা য়ুনিয়নদগী তোক্লবগী নিগোসিয়েসন হৌগদবনি।

হৌজিক্তি য়ু কেগী মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী লমজেলদা মাঙজিন থাবা লিদর ওইরবা লৈবাক অদুনা ঈ য়ুদগী তোকপগী কেম্পেইনবু লূচিংখিবা লন্দনগী হান্নগী মেয়র বোরিস জোন্সননা হায়খি, য়ু কেগা ঈ য়ুগা মরী তৎনবগী থবক হাথু হাথু পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈতে।

মহাক্লা হায়খি, ভোটরশিংনা মতম চঙনা মখোয়গী থম্মোয়গী ওইবা ৱারেপ অমা লৌখ্রে। হৌজিক্তি য়ু কেগী মশাগী লোশিং পাস তৌবা, টেক্সকী ৱারেপ লৌবা অমসুং মশাগী লমগী ঙমখৈশিং কন্ট্রোল তৌনবগী চাউরবা তাঞ্জা অমা ফংলে।

রিফরেন্দমগী ফলশিংদা মার্কেট কয়ানা রিয়েক্ট তৌনরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৫দগী য়েংলকপদা দোল্লরগা য়েংনবদা বৃটিশ পাউনদগী ভেল্যু খ্বাইধগী হেন্না নেম্বা উখি। মহাক্কী লোয়নবী সমন্থাগা লোয়নখিবা প্রাইম মিনিষ্টর কেম্মরননা বৃটিশ ষ্টেন্দর্দ টাইমদা অয়ুক পুং ৮.১৫ মুক তাবা অদুৱাইদা লাউথোকখি মদুদি, মহাক্লা অতেনবা মতম খরগী ওইনা ফম পায়দুনা লৈনবা অমসুং মদুগী মতুংদা ওক্টোবর থাদা কঞ্জার্ভেটিব কনফরেন্স পাঙথোকপা মতমদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর অমদা থবক শীন্নবগী ৱাফম ক্বিনদা খঙহনখ্রে।

"বৃটিশ মীয়াম্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্লবা ভোট পীখ্রে অমসুং মখোয়গী অপাম্বদি ঈকায় খুম্নগদবনি" হায়না দেভিদ কেম্মরননা খোঞ্জেল নীক্লদুনা অমসুং মপি ইরা চেল্লদুনা হায়খি। "বৃটিশ মীয়ামগী অপাম্বসি ঐখোয়না থবক ওইনা পাঙথোকপা তাই।"

বেঙ্ক ওফ ইংলেন্দগী গভর্নর মার্ক কর্নিনা হায়খি, য়ু কেগী বেঙ্কশিংগী কেপিটেল অমসুং লিক্বিদিটিগী চাং য়াম্না ৱাংনা লৈ। মসিনা লল্লোন-ইতিকশিং অমসুং মীয়ামদা মখা তানা শেলগী খুদোংচাদবা লৈহল্লোই। "বেঙ্ক ওফ ইংলেন্দনা অহেনবা পাউন্দ বিলিয়ন ২৫০গী সপ্পোর্ট পীননবা থৌরাং তৌরে" হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চৈরকসিদা, হান্নগী লেবরগী য়ুরোপ মিনিষ্টর কৈইথ ভজেনা রিফরেন্দমগী ফল অদু "ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইনা, য়ুরোপ পুম্বগী ওইনা অমসুং মালেমগী পুম্বগী ওইনা মাঙ-তাক্লিংঙাইনি" হায়খ্রে।

জর্মনিগী ফোরন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ৱাল্টর ষ্টাইনমরনা য়ু কেগী রিফরেন্দমগী ফলদা রিয়েক্ট তৌরদুনা য়ুরোপ অমসু গ্রেট বৃটেনগী ওইনা অৱাবা নুমিৎ অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিফরেন্দমগী রিজল্টশিংগী মতাংদা খন্ননবগীদমক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী ইমর্জেন্সী সেসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# চাইনাদা অকনবা নুংশিৎ অমসুং ঈচাওদা মীওই ৫১ শিখ্রে

বৈজিং, জুন ২৪ (এজেন্সী) :
লেন য়াওবা অকনবা নুংশিৎ, অকনবা নোং অমসুং টোর্নেদো য়াওনা কা হেনবা নোং চিংগী ফীভমনা মরম ওইদুনা চাইনাগী ইষ্টর্ন জিয়াংসু প্রোভিন্সতা মীওই ৫১ শিখ্রে অমসুং মীওই কয়া অমা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অকনবা নুংশিৎশিং অদু শগোলশেন নুমিৎকী লোকল মতমদা নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা প্রোভিন্স অদুগী য়ানচেং সিটিদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা থুংলখি অমসুং য়ুম-কৈ কয়া থাদেকখি হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

কালেনগী মতমগী নোংলৈ নুংশিৎশিং অতে মতমদগী হেন্না কনবা মরম্না চাইনাগী মফম কয়া চয়োল অসিদা অকনবা নোংজু নংখি অমসুং লৈবাক শিন থুংনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখ্রে হায়রি।

চাইনাগী ময়াই থংবা লমদমদা ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই ২২ শিখ্রে অমসুং মীওই ১৯৭,০০০ ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা হৌখিবা নিংথৌকাবদা ফোঙদোকখি।

ঈচাও থোকপনা মরম ওইদুনা দোল্লর মিলিয়ন ৪১০গী মাল-চাংশিং মাঙহনখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী ভাইস প্রেমিয়র ৱাং য়াংনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা অমদা এল নিনোগী ইথিলনা মরম ওইদুনা চাইনাদা নোং চীংগী অরুবা ফীভম খরা মায়োক্লরক্লি হায়খি।

# ইন্দোনেসিয়াগী টগবোটকী ক্রুমেন তরেৎ ফিলিপিন্সতা লালহৌবশিংনা কিদনেপ তৌখ্রে

জাকার্টা, জুন ২৪ (এজেন্সী) :
সাউদর্ন ফিলিপিন্সতা মিলিটেন্টশিংনি চিংনবশিংনা ইন্দোনেসিয়ন টগবোট অমা ফারবা মতুংদা ক্রু মেম্বর ১৩গী মনুংদা তরেৎ কিদনেপ তৌখ্রে হায়না ইন্দোনেসিয়ন ফোরন মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। ঈরাং লৈবা লমদম অদুদা মদু অসিগুম্বা অহুমশুবা এটেকনি হায়রি।

ক্রুগী মীওইশিং অদু তোঙান তোঙানবা গ্রুপ অনীনা ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাগী খা রোমদা কিলোমিটর ৯৫০ রোম লাপ্না লৈবা মুস্লিমশিংনা মশীং য়াম্বা প্রোভিন্স অমা ওইরিবা সুলুগী জঙ্গল কেম্প অমদা পুখ্রবনি হায়না থাজে হায়না জাকার্টাদা ফোরন মিনিষ্টর ৱেটনো মার্সুদিনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

সুলু প্রোভিন্সকী জোলো ঈথৎ অসি রেন্সমগীদমক্তা মী ফাবা অমসুং হোষ্টেজশিংবু মঙক ককপগীদমক্তা হঙ্গৌইনা খঙনরবা অবু সায়াফ গ্রুপকী মিলিটেন্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ড অমনি।

"মসিগী অহুমশুবা থৌদোক অসিদা ঐখোয়না তুমিন্না খাংদুনা লৈথোক্লোই" হায়না মার্সুদিনা হায়খি। হোষ্টেজশিং অদুবু থাদোক্লবা ঐখোয়না তৌবা য়াবা খূদিংমক তৌগনি। ইন্দোনেসিয়ন তরেৎতা অশোয়-অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইনা তৌগদবা থবকনি।"

মহাক্লা হায়খি মদুদি, কোল বার্জ অমা চিংখিবা টগবোট অদুগী ক্রু মেম্বর ১৩গী মনুংদা তরুকতি ভেসেল অদুগা লোয়ননা থাদোক্লম্লে অমসুং মখোয় ইন্দোনেসিয়া পাংলকখ্রে হায়বগী কনফার্মেসন অমা গভর্ণমেন্টনা ফংলে।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মার্চকী অথেংবা অমসুং এপ্রিলগী অঙনবা শরুক্তা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা ফিলিপিনো মিলিটেন্টশিংনা টগবোটশিংদা রেইদ চখুদুনা মীওই ২০ হেন্না হোষ্টেজশিং ওইনা ফাজিনখিবগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়ন ১৪ য়াওখি। রেন্সম পীখ্রে হায়বা রিপোর্ট খরগী মতুংদা হৌখিবা থাদা ইন্দোনেসিয়নশিং অদু থাদোকখি। তৌইগুম্বসুং ইন্দোনেসিয়ন গভর্ণমেন্টনদি মী থাদোক্লবা শেল পীখি হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

ঙসি সিক্যুরিটি মিনিষ্টরশিং মিলিটরি অমসুং ইন্টলিজেন্স চীফশিংগী মীফম লোইরবা মতুংদা মার্সুদিনা হায়খি মদুদি, ফিলিপিন গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী ঈশিংগী শরুকশিংদা কোল বার্জশিংগী সিক্যুরিটি গরেন্টি তৌবা ঙমদ্রিফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা লমদম অদুদা কোল থাদোকপা লেপ্পবা ৱারেপ লৌরে।

# চহী ৫০গী মুক্নবা লোইশিন্নবা কলম্বীয়া অমসুং ফার্ক রেবেলশিংনা পুৱারীদা লৈহৌরগদবা সিজ ফায়র দিল সাইন তৌনখ্রে

হভানা, জুন ২৪ (এজেন্সী) :
চহী ৫০ হেন্না চখুরকখিবা হাৎন-শুনবা লোইশিন্নবা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখিবগা লোয়ননা কলম্বীয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং ফার্ক গুরিলশিংনা মালেমগী খ্বাইদগী মতম শাংলক্লবা লালশিংগী মনুংদা অমগী অরোইবা নুমিৎ লাউথোকখ্রে।

"লাল অসিগী অরোইবা নুমিৎ মসিনা ওইরসনু" হায়না ফার্ককী চীফ টিমোলিওন (টিমোচেনকো) জেমিনিজনা মপি ইরা চেল্লদুনা অমসুং মখোঞ্জেল নীক্লদুনা হায়খি।

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মূননা শরুক য়াদুনা ক্যুবাগী কেপিটেল হভানাদা পাঙথোকখিবা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবগী থৌরমদুদা কলম্বীয়ন প্রসিদেন্ট জুআল মেন্যুএল সান্তোসগা খুৎ শোক্লরবা মতুংদা টিমোলিওননা হায়খি, "ঐখোয় অরোইবা পিছ একোর্দ অমগী ময়া নকশিল্লক্লে।"

অরোইবা পিছ দিল অদু রিফরেন্দম অমা লৌদুনা অয়াবা লৌবা চঙগদবা ওইরবসু মরু ওইবা কম্বেটেন্ট অনীগী মরক্তা হৌনবী মতুং ইন্না খুৎ থানবা লেপ্পবা অমসুং ফার্কনা খুৎলাই থাদোকপগী ৱাফমদা য়াবা হায়বসি লো-ইন্টেন্সিটিগী লালগী ফীভম অদু লোইশিন্নবা মায়কৈদা থাংজিনবা মরু ওইবা খোঙথাংশিংনি।

লাল অদুদা মীওই ২৫০,০০০ হেন্না মথ্বাই লোমখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন তরুক হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোকহনখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্ট সান্তোসনা মহাক্কী লৈবাক্কী অমসুং হৌজিক ফাওবদা লালদগী হেন্না অতৈ খঙলকখিদ্রবা কয়া য়াওরিবা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ওইনা পুৱারীদা লৈহৌরগদা নুমিৎ অমবু তরাম্না ওকখি।

"কলম্বীয়ানা লালগী ফীভমদা হিংবা হৈনরকখি। ঐখোয়না ঈং-চীক্লা লৈখিবগী ফীভম খজিত্তুফাওবা নীংশিংবা ঙমদে" হায়না মহাক্লা হায়খি।

"ঙসিদি অনৌবা পন্দুপ অমা হাংলে, মসিনা লৈবাক অসিদা ঈং-চীকপা ফীভম পুরক্লগনি অমসুং ঐখোয়গী অঙাংশিংদা পুৱারীগী নুংঙাইতবা থৌদোকশিংবু অমুক হন্না হল্লকহন্দনা হিংবা ঙমহল্লগনি।"

প্রসিদেন্ট সান্তোসনা অতৈ অপীকপা গ্রুপশিং অমসুং দ্রগ ট্রাফিকিংগা মরী লৈনবা গেংশিংগা হৌজিকসু মুক্লবগী ফীভমশিং লৈরি তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুদা পিছ পুরক্লবা তৌবদা লৈরিবা খ্বাইদগী চাউবা অপনবা অদু হৌজিক মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙল্লে হায়রি।

মহাক্লা নেভিদা চঙবা মতমদা মহাক্কী মমানা মঙোন্দা রাইফল অমা খুদোল তমখিবগী ৱারী নীংশিংদুনা সান্তোসনা মশামক ফার্ককী থেম্বা য়াদবা য়েক্লবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা লাল অদু হৌজিক্তি খুৎলাই পায়দুনা শোক্লবগী মহুত্তা পোলিটিকেল দিবেটকা লোয়ননা শোক্লরগনি হায়খি।

হৌজিক্তি ঐখোয়না পিছ পুরকপদা য়ানখ্রে, হেদ ওফ ষ্টেট ওইনা অমসুং কলম্বীয়ন অমা ওইনা ঐহাক্লা চপ মান্নবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা হায়রি মদুদি, করিগুম্বা ঐখোয়না য়ানবা পুরকপা ঙমদবা তারবসু মখোয়গী ফোঙদোকপগী হক শীজিন্নদুনা লিগেল ওইবা মওংদা মখোয়গী পোলিটিকেল ষ্ট্রগল মখা তানা চখুগদবনি। মসিগী ফজরবা দিমোক্রেসিগী তোপ তোপ্পা শক্তম অসিবু য়েংদুনা ঐখোয়না মখোয়বু তরাম্না ওক্লি।

কন্টিনেন্ট অদুগী অরোইবা মরু ওইবা কনফ্লিক্ট লোইশিন্নবগীদমক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুদা লেটিন অমেরিকান লিদর কয়াসু শরুক য়াখি।

মখোয়গী মনুংদা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট রাউল কাষ্ট্রোনা পিছ টোক অদুগী থৌবু ওইনা শরুক য়াখি।

ভেনিজুয়েলাগী হেদ ওফ ষ্টেট নিকোলাস মাদুরোসু ওবজার্ভরগী ষ্টেট্রসতা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। মহাক্কী লৈবাক্লা ফার্কপু ৱারী শাননবা পূক্লিং থৌগৎলদুনা অচৌবা রোল অমা লৌখিবনি।

সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা য়ু এসকী দিপ্লোমেটশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। জোন কেরিনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা নিগোসিয়েটিং টিম অনীমক উনখ্রবনি। য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল জান কি মূননা লোইশিনবদা ৱারবা লালগী ফীভমগী কন্টেক্সতা দিল অদুবু তরাম্না ওকখি।

প্রসিদেন্ট কাষ্ট্রোনা ঈং-চীকপগী ফীভম অমা লাক্লিবদু কলম্বীয়াগী মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়না শীংথাখি।



# EMPLOYMENT NEWS

### OFFICE CHIEF MEDICAL & HEALTH OFFICER, DISTRICT SOUTH BASTAR DANTEWADA – GOVERNMENT OF CHHATTISGARH RECRUITMENT 2016 – 77 STAFF NURSE, LAB TECHNICIAN & PHARMACIST VACANCIES – WALK-IN-INTERVIEW 05 JULY

**Government of Chhattisgarh Recruitment 2016**
Office Chief Medical & Health Officer, District South Bastar Dantewada, Government of Chhattisgarh invites application for the post of 77 Staff Nurse, Lab Technician & Pharmacist. Walk-in-Interview 05 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Staff Nurse
**No of Vacancy :** 57 Posts
**Pay Scale :** Rs. 14784/- (Per month)
**Post Name :** Lab Technician
**No of Vacancy :** 10 Posts
**Pay Scale :** Rs. 12320/- (Per month)
**Post Name :** Pharmacist
**No of Vacancy :** 10 Posts
**Pay Scale :** Rs. 10000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Government of Chhattisgarh Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Staff Nurse :** Candidates must passed 12th with Science Subject And B.Sc Nursing General Nursing and passed Midwifery training and registered with Chhattisagarh council.
**For Lab Technician :** Candidates must passed 12th with Science subject and Pathology Techinician training of 10 months/1 year or Diploma in Medical Disease Science or equivalent diploma registered with Paramedical Council.
**For Pharmacist :** Candidates must passed 12th with Science subject and Diploma in Pharmacy and registered with Pharmacy Council.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 35 years (as on 01.01.2016)
**Job Location :** South Bastar Dantewada (Chhattisgarh)
**Selection Process :** Selection will be made on Merit of Educational Qualification, Experience & Skill Test.
**How to Apply :** Interested candidates may appear for interview in prescribed application form along with all the relevant documents at the time of interview.
**Venue of Interview :** Office Chief Medical & Health Officer, District South Bastar Dantewada
**Important Dates to Remember :**
**Date of Interview :** 06.07.2016 at 11:00 AM
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://dantewada.gov.in/CMHO_SANVIDA_21062016.pdf

### UTTAR PRADESH JAL NIGAM – UPJN RECRUITMENT 2016 – 398 ROUTINE CLERK & STENOGRAPHER VACANCIES – LAST DATE 11 JULY

**UPJN Recruitment 2016**
Uttar Pradesh Jal Nigam (UPJN) invites application for the post of 398 Routine Clerk & Stenographer. Apply Online before 11 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Routine Clerk
**No. of Vacancy :** 335 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.1900/-
**Post Name :** Stenographer
**No. of Vacancy :** 63 Posts
**Pay Scale :** Rs.5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs.2800/-
**Eligibility Criteria for UPJN Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Routine Clerk :** Candidates must have pass 10+2 (Intermediate) exam any recognized Board with typing speed in Hindi 25 wpm and 30 wpm in English on Computer and Diploma/Certificate in Computer Application.
**For Stenographer :** Candidates must have pass 10+2 (Intermediate) exam any recognized Board with 80 wpm in stono speed in Hindi and Diploma/Certificate in Computer Application.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 40 years as on 01.08.2016.
**Age of Relaxation :**
**For SC/ST/ OBC Candidates :** 5 years (Only U.P. Domicile)
Job Location : Uttar Pradesh
**Selection Process :** Selection will be through Written Test & Interview.
**Application Fee :**
**For Unreserved (General) & OBC Category :** Rs.600/-
**For SC/ST Category :** Rs.300/-
**For PWD Category :** Rs.25/-
**Candidates submitted fee through SBI -E-collect Only.**
**How to Apply UPJN Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website www.upjn.org form 21.06.2016 to 11.07.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Starting Date for Submission of Online Application :** 21.06.2016
**Last Date for Submission of Online Application :** 11.07.2016
**Last Date for Payment through Offline Mode :** 12.07.2016
**Important Links:**
**Details Advertisement Link :** http://103.13.99.19/upjn/UploadDocument/Vigyapan1.pdf
**Apply Online :** http://103.13.99.19/upjn/Home/ListsofExam.aspx

### BIHAR STAFF SELECTION COMMISSION – BSSC RECRUITMENT 2016 – 582 TRADE INSTRUCTOR (ITI) VACANCIES – LAST DATE 19 JULY

**BSSC Recruitment 2016**
Bihar Staff Selection Commission (BSSC) invites Application for the post of 582 Trade Instructor for ITI qualifies candidates. Apply Online before 19 July 2016.
**Advt No. :** 14010116 to 14250116
**Job Details :**
**Post Name :** Trade Instructor (ITI)
**No of Vacancy :** 582 Posts
**Pay Scale :** Rs. 9300-34800/-
**Grade Pay :** Rs. 4200/-
**Eligible Criteria for BSSC Recruitment :**
**Educational Qualification :** Candidate must have ITI in relevant Trades recognized by SCVT/NCVT.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As on 01.08.2016
**General Category :** 21 to 37 Years
**OBC Category :** 21 to 40 Years
**General Category (Female):** 21 to 40 Years
**SC/ST Category :** 21 to 42 Years
**Job Location :** Patna (Bihar)
**Selection Process :** Candidates would be selected based on Written Examination.
**Application Fee :**
**For GEN/OBC & other State Candidates :** Rs.750/-
**For SC/ST Candidates (Only for Bihar Domicile) :** Rs. 200/-.
**Application Fee must be deposited through SBI I Collect or Challan at any branch of State Bank of India.**
**How to Apply BSSC Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through website www..bssc.bih.nic.in from 23.06.2016 to 19.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Starting Date For Submission Of Online Application :** 23.06.2016
**Last Date For Registration Of Online Application :** 19.07.2016
**Date for Submission of Application Fee by Challan :** 24.06.2016 to 20.07.2016
**Last Date for Submission of Online Application form :** 22.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://bssc.bih.nic.in/Advertisement/1401250116_adv.pdf
Apply Online : http://online.bsscpatna.com/